ৱারী ককনাউ

# মোমোতাগী মনম

ঐনা থৱায় হেক চাকপসি কোন্না নীংঙল্লক্তবসিনি। পুন্সিসিদা ঐসে ওইদবা কয়া ঙাঙখ্রে, মতম কয়া অমা মাঙহনখ্রে। মদুদা ঐ কৈসু লুনা খল্লুদে। মরমদি ঐনা খনখি, ঐনা নুমিৎ চূপ্পা অমা কৈসু তৌদনা মতম হৌহনখিবা হায়বসি ঐগী শেল লুপা অমা তিংবা নত্তে হায়না।

ঐ নুপী থিরে, ইচানুপা ঙৌশ্রোক ঙৌবা থা ৯ মুক শুরবা অমা লৈরে। ইচানুপাদু ঐনা য়াম্না নুংশি। তঙাং-তঙাংনা মানা তাইবঙ ফাওরকপা নুমিত্তু জেনিমস হোস্পিটালদনি। ঐগী নুপী সনারৈনা ওপরেসন থিয়েটরদা ইনশিল্লমদাইগী ত্রোল্লিদা হিপ্লগা, খুয়াদা ওপরেসন্দা চংগদবা হীদাক হাপ্পা কার্টুন বোক্স অমগা লোয়ননা নর্সনা ইনশিল্লকপদা মানা ঐগী খূৎসি তপ্না পায়রগা মমিত্তু ঈরা চেল্লগা ঐঙোন্দা য়েংলগা ৱা খরদি হায়নীংখিবগুম তৌখি। ঐসু কায়দৈ পিনো খঙদে তপ-তপ অনীগুম্বদি তাখি, ঐনা থেমজিল্লগা হায়খি,

“কৈসু নুংশা থীনু, ঐ লাই খুরুমগে” । ঐগী ৱাদুদা মপূক্লিং চাউখৎচরবা সনারৈদু ওপরেসন থিয়েটর মনুংদা ইনশিনখ্রগা অঙাংবা বল্ব অমা থোঙ মথক্তা থাল্লকখি। ঐ ইশাসি শ্বর ফুনগে তৌরকই। মীৎসি উইশিন্দুনা লাই খুরুম্মী,

“হে তাইবঙ শেম্বীবা, ঐগী নুপী সনারৈবু কৈসু অৱা অনা তাহনবীগনুকো”

“সনারৈগী মী য়াওরিব্রো? নর্স অমনা ইফিং ফিংনা কৌরকই।

“য়াওজরি” ঐ ফুক হৌগৎলগা নর্সতুগী মনাক্তা চেনশিল্লি।

“সে, সিগী ইনজেক্সনসি অমত্তা থুনা লৈরকউ” চে মচেৎ অমা পীরকই। ঐ চেদু তাপ পায়রগা চেন্দুনা ফার্মাসিদগী হীদাক্তু লৈরুরগা অমুক পীশিল্লি। কুইদে, পুঙ্খায়মুক্কা ফারমগদ্রা ঙাল্লম্বা অঙাংবা বল্বতু পুৎ লাওনা মুৎখ্রগা অশংবা বল্ব অমা থাল্লকই। ঐ মীহুন চেনগুম চেনগানৈ। নর্স অমনা অঙাং অমা ফৈবম্লনা পুথোরক্লগা “নুপা অমা পোক্লে” হায়না পীরৈ। কয়াদি নুংশিখ্রে, নুমিৎতুগী মীকুপতো, ঐগী পুন্সিদা অদুক হরাওবা, নুংঙাইবা, হায়ফম খঙদবা অমুক্তা ফাওখিদ্রি। ঐনা মমীৎসু পাংদ্রিবা ঙাংশং ঙাংবা ইচাদু য়েংলগা থম্মোয়দা হুনখিবা হরাওবগী মীহুলদো মাইক্রোফোন পাল্লগা স্পিকরদা থাদোক্লদি হোস্পিটালদু পূমনিন নিনগনি, “দঙ-দা, দঙ-দা, দঙ-দা” হায়না।

ইচাদু পোকপা থা ৯গী মতুংনি য়াওশঙ লাকখিবদু। ঐদি পাখঙগা চপ মান্নরি, য়াওশঙ মঙানি চনবা অরোইবা নুমিত্তু, থোকচোম লম্পাক্তা থাবল চোংদৌরি হায়বসি নুমিৎ মঙানিগী মমাঙদগী খঙই। থোকচোম লৈকায়দা হন্দক্তা ঐগা নৌনা খঙনবী মোমোতানসু মেসেজ পংথাদা থাজিল্লকই,

“থাবল চোংবা লাক্তুদি কায়নরে খঙউ” কয়াদা কনখ্রবা ওর্দরনো? ঐ য়ূমদা ইমান্নবা অমগীদা চাক চানদৌরি খরা থেংনা হল্লক্কনি হায়রল্লগা থাবল চোংবা চৎলে। থাবল হৌদ্রিঙৈদগী সাবল লৈকায় লম্পাক মচিন্দা অদুম লেপ্তুনা লৈরবনি। নুমিৎতুগী থাবলদুসু কয়া নুংঙাইখ্রে। মোমোতাসি হেক হৌবদগী ঐনা অদুম পায়রগা, থাবল চোংমিন্নে, খোংলিবা বেন্দদুসু কয়াদি নুংঙাইরে, ঈশৈ ফজ-ফজবা ঙাক্তনি খোংলিবা, ঐনা হেক চাকপা ঈশৈদু “ঐদি পাখঙ শরিনি, তালোই তুংইন তমজদ্রি...” হায়বদুনি। মদু ঐনা বেন্দ পার্টিদুগী মনাক্তা চংশিল্লগা নুমিৎতু হঞ্জিন হঞ্জিন খোংহল্লি। নুমিৎতুগী থাবলদো পূন্না গট ৫নি লোইবদু চপ চানা পুং ১.৩০ মুক তারে। ঐদি থাবল লোইরফাওবা য়ূমদা হন্নীংখিদে, মোমোতানা মমা, মনেশিংগা লোয়ননা ময়ূমদা চঙখিবফাওবা ঐনা য়েংদুনা লৈহৌই। কয়াদি নুংশিরে মোমোতাদো, ৱাই কৌবদা হেক হায়দখৈ থাবলদু খূৎকা খূৎকা পায়নরগা থাদোক্লদনা চোঙমিন্নখিবদো। মদুগী নুংঙাইবা ৱাখলদা শাগৎতুনা ঐ য়ূম কমায় য়ৌরকখিবনো খঙহৌদে। শঙ্গোয়দা গাড়ী মচাদু থম্মগা, খূৎতু মনম অমুক নম্মী, মোমোতাগী মনম কোল্লমদ্রি।

থোঙ ইহাঙ হাঙদোক্তুনা লৈরম্মী। সনারৈনা অপিকপা ইচানুপাদু ফি অমনা নান্দুনা লৈরম্মী। মাদি অঙাংদুনা কপ্পদা তৌফম খঙদদুনা তূমদ্রিজাৎ ওইরে।

“কৈদৌরে?”

“অঙাংসে মৈ হৌখৈ মশা শাগৎলে”

ইচানুপাদু তাপ পায়বদা, ঐগী খূৎসি খংপ্রেক খংনা পোক্কে তৌই, মশাদু মৈদগী হেন্না শাদুনা লৈরম্মী।

“চাক চানববু অসুক থেংব্রা? হোস্পিটালদা অমুক্তা পুনবা তৌসি, অঙাংসি মওং অমা তৌরে?”

তৌফম খঙদ্রবা ঐ, হৌজিক্তদা ৱাখল লাক্লে, ৱাশরুমদা চঙশিন্দুনা খূৎতু সাপোন নোইদুনা শেংনা চামথোকই। অদুগা গাড়ী মচাদুদা সনারৈগা ঐগা ইচাদু হোস্পিটালদা পুখৎলি। ডোক্তরনা চৈরকই, ঙসাইনা পুরকপা য়াদ্রা, অঙাংসি য়াঙ চিংঙে। ঐ নিঙমলক্তে, ডোক্তর অনী অহুমনে, নর্সনে কৈনে য়োমশিন্দুনা কন্না হোৎনবদগী নোংঙাল্লমদাইদা ইচাদু মশা ঈংথরকই। মোমোতাগী মনম নুমিৎতুদগী ঐ অমুক হন্না নমখিদ্রে।■

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

---

## শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (২শুবা)

# লোই থাবা

*(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা ‘শ্রীকান্ত’ পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)*

**ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবা**

*(হান্নগী মখা চথজরকপা...)*

অনাবদু য়েংলগা হীদাক খরা পীরগা অমসুং তৌগদবা মওং খরা তাল্লগা দাক্তর বাবুনা ঐঙোন্দা ওনশিন্দুনা হায়, “লাকও শ্রীকান্ত বাবু, মথক্তা ঐগী কাদা চৎলসি, ৱারী-ৱাতাই খরা তৌনরুসি।”

ফমথরবা মতুংদা মানা হায়রকই, “অদোম চা থক্তবা মী ওইবিরম্মোই হায়না খল্লি।”

“তৌজে।”

“বিস্কিট খরগসু?”

চা চিংলিঙৈদা দাক্তর বাবুনা মরিং-মরাংবা ৱাহং অমা ঐঙোন্দা হংলকখি, “কমদৌনা মখোয় ইমুংসিগী থবক্তা থৱায় য়াওশিনবিরুবনো?”

“মী থারক্তুনা নুপীদুনা ঐবু কৌরকখিবনি।”

অশিংবা শাবা মওংদা মঙক নোল্লদুনা দাক্তর বাবুনা হায়রকই, “মদুদি মশানা তাবা থবক্নি। অদোম য়ূম পানবিরব্রা?”

“পাঞ্জদ্রি”

“অদুদি অদোম্না তৌবিরিবসি ফত্তবমক্তি নত্তে। উম-ম! মাগী নুপাসি তাইফোইদনা নারে, মাগী হকচাংগী ফীভম অসিনা মদু থেংনবা ঙম্বগী পাঙ্গল ৱাৎলে। মা কুইনা লৈররোই, মসি শোয়দ্রবা ৱানি। নুপীসি খরা কুপ্না শেন্নবিবা ফৈ, নত্তবদি কনাগুম্বা অমনা অদোমগী খূবাক ময়ায়দগী শগুন তৌখিবা য়াই।

পন্থদনা ঐনা কল্লপ খুন্মী, “অদোমগী ৱাফমসি ঐদি ৱাহে অমফাও লৌশিনবা ঙমজদ্রে।”

দাক্তর বাবুদু শাউসু শাউদে, ৱারৌবসু তৌদে। মখা তানা মানা খল্লিবা ৱাখল পরিংদুদা হায়রকই, “কমদৌরমগনি খনবি, শ্রীকান্ত বাবু, নুপা অসিনা মাবু সুমদুনা পুরক্লমগনি খনবিব্রা, নত্তগা নুপীসিনা লাং থাক্তুনা নুপাসি ফাবা ওইরমগদ্রা? নুপীসিদি ইকাইগনবী ওইদে, ঈরাং খঙবীসু ওই, নত্তব্রনে? হায়নিংবসু হায়দোকই, পন্দে।”

“মখোয় অনীসি মতৈ-মনাওনি হায়না য়াম্না থাজনা হায়বিরিসিবু মতৌ করম্ননো?”

“হান্না থোখ্রবা থৌদোকশিংদগী। মখোয় সিগুম্বা মতৈ-মনাওদি জহাজ খোঙচৎ খুদিংমক্তা য়াওই। বেলঘোরিয়াদগী সিগুম্বা নুপা-নুপী অনী হদক্তা মতম খরগী মমাঙদা থেংনখি। ঐনা হায়রিবসি করিনো হায়বা অদোম্না বর্মা য়ৌরগা খঙবিগনি।

ঐনা বর্মাদা লৈরিঙৈ চহী খরদুগী মনুংদা, মানা হায়বদু অচুম্বনি হায়বা কয়ারক হন্না থেংদুনা খঙখ্রে। অদুবু, মদু য়াম্না থেংনা খঙলকখিবনি। তাঞ্জাসিদা য়াম্না কন্না থম্মোয় শোন্থবা, ৱাখল নুংঙাইতবা মওং অমা ঐঙোন্দা পোকখি। দাক্তর বাবুদগী কায়না য়াথং লৌরগা নন্দ মিস্ত্রি উনরুনবা জাহাজগী মখা থংবা ফম্বাক্তা ঐ কুমথখি।

নন্দগা টগরগা চাক্লেন চানবগী ফমথরম্বতা ঙায়রল্লি। ঐঙোন্দা নন্দনা হাইফেত্তং য়েংলগা হংলকখি, “নুপীদুবু কনানো, বাবু।”

“মদু খঙলগা নঙোন্দা করি কান্নে”, ময়া খিগৎলদুনা হায়রকই টগরনা। মাগী কোক্তা ফি মচা অমা চেৎনা য়েৎশিল্লম্মী, মকোক চিক্তুনা । ফিয়েত্তুগী মখাদা উরিবা মাগী মায়থোঙদু ঙাংঙি, শাউবা মাল্লি।

ৱাকৎপা ওইনা নন্দনা ঐঙোন্দা হায়রকই, “য়েংবিয়ু অমুক্তা, বাবু। মসিদগী হেন্না মবুক ফত্তবী, ৱাখল লান্না খনগনবী নুপী অমা উবিখ্রবা? বেঙ্গলি নিংঙোল অমা মাগী অনাবা নুপা অমগা লোয়ননা ঐখোয় পূম্বগা খোঙচৎসিগী খোঙবু ওইমিন্নরি, অদুগা মহাক কনানো হায়না ঐনা হংবসিবু য়াদব্রনে?”

-মথং-মথং

মতম মতমগী ৱাফম

# পরিক্ষাদি হায়দোক্লে মার্কসিটতি লাকত্রি



‘পরিক্ষা’ হায়বসি মহৈরোইশিংগী মফমদদি অচৌবা চাংয়েংনি। ‘পরিক্ষা’ হায়রিবা ৱাহৈসি লাইরিক তম্লিবা মহৈরোইশিংগী খক ওইবদৌনা মী অয়াম্বনা লৌনৈ। পরিক্ষাদি লাইরিক তম্বা মহৈরোই ঙাক্তগী নত্তে মীওইবা খুদিংমক্কীনি। হিংলিঙৈ মীওইবগী পূন্সিদা পরিক্ষাদি মখল কয়াদা থাদুনা অদুম লাক্লরি। পরিক্ষাগী মওংসি মখল কয়ামুক্তনি। ঐখোয়না মহৈরোই ওইরিঙৈ এল পিদগী হায়স্কুল তম্লিঙৈ, হায়স্কুলদগী কলেজ, য়ুনিভর্সিটি তমলকপা ফাওবদা পরিক্ষা মখল মখল কয়া থারকখি। হায়স্কুল তম্লিঙৈদা চয়োল অমগী মনুংদা থাংজ নুমিৎতা পরিক্ষা তৌনরকই। কালেন ছুটি থারমদাই টর্মিনেল পরিক্ষা পাংথোকলকই। পাউখুম শাংনা শাংনা খুম্বা চৎনরকই। ৱাহং অমগী নম্বর চাউই। তেন্না খুম্বা নম্বর ফংবা ৱাৎলি। ইতিহাসকী জিওগ্রফিগী পারাগী ৱাহং অমদা নম্বর ১৫/১৫ শোয়দনা হংঙি। খুৎ ফজনা, লূনা নাননা ইবগীসু নম্বর ৫ তোঙান্না অমুকসু খাকপা চৎনরকই। পরিক্ষাগী লাইরিক পাবদা শাংল শাংলবা পারা চিনফা পুনরকই। লাইরিক ঔরাইবদা,হৌনা হৌনা মী তানবা লাইরিক পাবগী চৎনবী লৈরকই। তুমিন্না মখোন থোক্তনা লাইরিক ঔরাইবদা অহল লমনশিংনা হৌনা পাদে হায়না ঙাঙই। পরিক্ষাদা হংলকপা য়াবা ওঝানা ইমপোরটেন্ট পীবা,ওঝাদা হংলকপা য়াবা মরুওইবা ৱাহং পাউখুম তাকহনবা অসিসু তৌনরকই। পরিক্ষা থারুবা হল্লক্লগা কোইসন পেপর হঞ্জিন হঞ্জিন ইথন্তা য়েংলগা ফংলকপা য়াবা নম্বর ইশানা পীজদুনা হোৎনৈ । ইশানা নম্বর পীজরগা য়েংবগী নুংঙাইবসু লৈখি। ইশানা পীজবা নম্বর চাউগল্লি । ফংলকপা য়াই খল্লুরগা ফংলক্তবগী নুংঙাইতবসু লৈখি । পাস তৌনি তৌরোই ইশানা পারিক্ষা থাবদা অদুম খঙবা ঙম্মী। নম্বর য়াম্না ফংবা ফংদবা সিমদি লেপ্পদা লুনা থোক্লে । পরিক্ষা থাবা লোইরবা মতুংদা হায়দোকপা ঙাইবদা ফনা কুইনা ছুটি থাই। পরিক্ষা হায়দোকপা মতম ওইরকপদা পূক্লিং তয়াং তশোয়নৈ । লাইরিক তম্বগী নুংঙাইবা, পরিক্ষা লোইবগী নুংঙাইবা নুংশিখিবা মতাংসি মী মীগী পূন্সিদা অমমম লৈনবা ঙাক্তনি।

পরিক্ষা থাবা মতমদা, লাইরিক নীংথিনা তম্লগা থাবা অমদি তমদনা থাবা মওং অনী অসি মতম অমা কলেজদা, য়ুনিভর্সিটিদা য়ারম্মী। মসিবু প্রাইভেট অমদি রিগুলার কেন্দিদেট হায়না খঙনৈ। প্রাইভেট কেন্দিদেট হায়বসি রিগুলার ক্লাস চাং নাইনা য়াওবা ঙমজদবশিংগীদমক্নি । অয়াম্বনা থবক তৌবা ইমপ্লোয়িশিংগী খুদোং চাবা ফংহন্নবনি হায়নৈ ।

পরিক্ষা হায়দোক্লবা মতুংদা মহৈরোইশিংনা ঙাইরিবসি মার্ক সিটনি। মার্ক লাকপা ঙাইনবসি পরিক্ষা পাস তৌরে খঙলবা মহৈরোই ঙাক্তনা নত্তে। পরিক্ষা থাখিবা খুদিংমক্লনি । মরমদি কনাগুম্বা পরিক্ষা পাস তৌদ্রে হায়না লৈরুরবা মহৈরোয় অমনা মার্ক য়েংলুবা মতমদা মার্ক ৱাংনা,পোজিসন য়াওনা পাস তৌরম্বা অদুমক য়াওই। মসিগী অশোয়বা অসি মণিপুরদনা খরা হেন্না থোকপগী পাউ তাখি। তোয়না থোকপনা মহৈরোয়শিংনা রিজল্ট আউট খঙবা খক্লা অরোয়বা পরিক্ষাগী রিজল্টনি হায়না খন্নদে। মার্ক উরবা মতমদা অশেঙবা রিজল্টনি হায়না খঙনৈ। মার্ক অদুসু মহৈরোয় অদুনা থাজনা ফংগনি খল্লুবা অদুগী ৱাংমদা ফংলকপদা অমুক হন্না চেক তৌরুবদা ৱাৎলম্বসু অদুমক য়াওরি । থাজবা হায়বসি মফম খুদিংমক্তা ইরৈ লৈনদ্রে ।

ৱাফম অমনা, কনাগুম্বা অশিংবা হোৎনবা কনবা কেন্দিদেট খরদি পারিক্ষা হেক থাখিবগা হায়দোকপা ঙাইদনা মখোয়না মখা তম্নিংলিবা কলেজ, য়ুনিভর্সিটিশিংদা মিং চন্নবগীদমক থৌরাং তৌই। কোইচেন চেন্দুনা মাঙজৌননা শেম শানৈ । পরিক্ষা হেক হায়দোকলকপগা মতম মাঙহন্দনা মখোয়গী অৱাৎপশিং থৌরাং তৌদুনা শেম-শানৈ।

খরা তনবা হায়গদ্রা মীনা হায়রকপদা ঙাইবা, পরিক্ষা হায়দোকত্রিমখৈ চেন্নিংদবা কেন্দিদেটতি খুদোং থিবা য়াম্না নংঙি । পরিক্ষা হায়দোকখ্রবা মতুং, মীনা মথংগী তৌগদবা থৌরাং লোইনখ্রবা ফাওবা মার্ক লাকপা ঙাইরিঙৈদা মীনা সিট কনশিনবনা হানখিবা ফংহৌদবগী খোইশাওনবদু শোয়দনা থোক্কল্লি । মৈতৈগী প্রমাণ অমদা ‘কহা মাং খুজাই কাই’ হায়বদো অতনবা মখোং থাংবা লূম্বা মহৈরোইদা তাহৌই। তাকপীবা ওঝানা হায়দ্রিমখৈ তৌদবা, ওঝানা য়ানি য়ানি মার্কসিট লাকত্রি মার্ক হেক লাকপগা য়েংসি হায়বদা থাজদুনা নিংঙাইদনা লৈথোকপা, পরিক্ষা হায়দোকখ্রবা ফাওবা মিংজল ফোর্ম লৌহৌদবা এন্ট্রান্স টেষ্ট থাহৌদবগী মাঙজবদি অদুগুম্বা মঙম শান্দবা, অতনবা মহৈরোইতনা ফংঙি।

পরিক্ষা থারুবা মীদা পরিক্ষা কমদৌই হংনৈ । নুংঙাইখি, অখঙবা ঙাক্তা হংলকই হায়বা মী য়াওই । নুংঙাইতে, অখঙবা অমত্তা হংলক্তে হায়বা মীসু লৈ । পরিক্ষাদা করি ৱাহং হংখি, পাউখুম্না করি খুমলম্মী হায়বসিদি পরিক্ষাগী ৱাহং শেল্লিবা অমদি পারিক্ষা থারিবা অদুতনা খঙনবনি। অতৈনা খঙলুবা ঙমদে । মবুক লুবা মীদি ইরমদে, অখঙবা হংলক্তে, ফুল অন্সর তৌরমদে হায়শিন্নবসু য়াওনৈ। মতম অমা চৎনরম্বা শাংনা শাংনা পরিক্ষাদা পাউখুম খুম্বা হৌজিক্কী মতমদা চৎনদ্রে । হৌনা পারা পাবা অশিংবা ওইদ্রে । মতমসিনা মীশিংগী মরক্তা থাজনদবা হেনগৎলকই। পরিক্ষা অমখক থারগা লৈথোক্লদ্রে। পারিক্ষা থারুই, থাখি হায়বসু খঙহন্নদ্রে । ওজানা পারা করিসু তাক্তে হায়না চম্না লৈবা মহৈরোই অপংবনি। ওঝাদি থৱায় য়াওবা হংবা কনবা, তকপা কনবা মহৈরোইদা মরুওইবা পরা তাকথোকপা মহৌশানি। ওঝানা নুংশিবা নুংশিদবা মহৈরোইশিংগী মরক্তসু অদুম য়াওই। ওঝাগী অচানবা মহৈরোই লৈনৈ । ওঝানা য়ানবা হোৎনবদা অনম কনবা মীসু য়াওই।

লমদমসিদা চহী কুন হেন্না চঙনা থারক্লবা পরিক্ষা অমা হন্দক খঙহৌদনা মনা মণিল নাইদনা হায়দোকলকপদা হিয়াঙ্গৈ থাগী থানিল নুমিৎতা ফুক্কদবা মেরা ৱা খঙহৌদনা মেরা থাউমৈগী মৈরি ফুল্লকই । হংলিবা ৱাহংগা খুল্লিবা পাউখুমগা চান্নদবনা নহালমখৈ পরিক্ষা মায় পাক্তনা লাকখিবদু ৱাহং লাইথোক্লা হংবনরা,করম্বা মওংদগীনো খঙদনা ওক্টোবর তাং ৩১দা হায়দোকখিবা পরিক্ষা মহৈরোয় খর মায় পাকখ্রে। হৌজিক মখোয়না ঙাইরিবসি মার্ক সিট লাকপনি। মার্ক সিট ফংলগদি মখা করম্বা য়ুনিভর্সিটিদা করি তমগদগে খঙলগনি। পরিক্ষা থাবা কনবনা মায় পাকচখিবনি। ওঝানা তাকপা ঙাইরিঙৈ, মরুওইবা হংগদবা হায়রকপা ঙাইরিঙৈদা ঐখোয়না পরিক্ষা মতম খঙহৌদবনি। মসিদা ঐখোয় ঙক্লিংঙাই ওইদে । ওজা ভুবন সনাগী ৱাফম নীংশিংলকই, ‘পরিক্ষা ঙম্ববু মৈতৈ নিংথৌমচা ঐখোয়গী ইথৌরা ?’ ■

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

---

# ওহ, নুংশিদা নাকেন্থাই নুংশি ঈশৈ

মাঙহনখিবা মীৎকুপ্তো হৌজিক্তা পাম্মুরক্লে। ওন্থোক্লা নুংশিরক্লে। ওহ, মপোকসিমগী লোইরেদকো !

লুহোংবা নৌরিঙৈ - ফনা নৌরিঙৈ মতমনি। অহিং অমা মা মীৎকপ থোক্লকখি। মপূং ফানা তূম্লরগা থোক্লকপা মীৎকপনি। হৌগৎলগা মপান থোক্তোক্লুই। মশা তয়া তয়াংই। হৈনিংই। থোঙনাও হাংদোক্তুনা য়েংবদা থাবলনা পুমথন থনবা উই। নিম মচুগী অতিয়াদা পুর্ণিমা ময়াগী থাজসিনা ফজবসি কয়াদা ফজখ্রে। থোঙনাও ময়াদা হৌবা মপালনা পূমঙৌ ঙৌনা শাৎপা হৈখা পাম্বীদো থাবলদুগা ওন্থোক্লা চূনখ্রে। মমিং খঙদবা উচেক্কী মখোলনা অসুক নুংশিবা, মাঙদা শন্দোক্লিবা থাবল ফিজেৎনরিবা মালেমনা অসুক ফজবা - ইস, ঙসিদৈ মা ফজবা মশক খঙলবনি। মাই নুপাসু তপ্না হৌগত্তুনা কূমথরকই।

‘কৈনো নথন্তা অহিংসিদা কনা য়েংলিবনো ?’

‘ঐ নঙবু হৌদোরক্তবনি। ঐবুদি থাবলসিনা হৌদোকপিরকপনি হায় তাই। ফজদ্রা ?’

‘ফজৈ। ফজবা হায়বসি ফজৈ।’

ৱাখল খন্থনা তপ্না মখা চত্থরকই।

‘ঐখোয়নি য়েংমিন্নবসিনরা কৈনো অসুক ফজবা থাবল ঐ পুন্সিগী উদ্রি।’

মপুরোইবগী ৱাতাদুদা নুংঙাইদুনা মখোল থোক্তনা নোকচৈ। ফজবা শক্তাক্লবা হোৎনরিবা মাই নুপাগী ৱাতাদুদা মঙগা তাইবঙগা শম্নরকই, অচঙবগা অশিবগা নকশিন্নরকই। অনীমক ঈপাক্তুদা লুপমিন্নে। ইতীং তিংনা ৱারী শানৈ। ওইনমদবা মরিক অমতা পক্তে। ৱাহৈ খুদিংমক লকানুংদা য়ৈরুই। য়েংখি য়েংখিবদা ফজৈ - উরুবদা মীৎফম হোংনিংদে। কৌজেং হারৌগী মখোলফাও তানিংবা ঈশৈগুম নুংশি।

ওহ, হৌখিবা মতমদো পাম্মুখ্রেদা ! মপোকসিমগী অমুক হল্লকউ য়াররোইকো - লুখ্রাবী মানা শোঞ্জে। নোংমসু মাই নুপানা হায়খি।

‘ঐখোয়নিগী মরক্তা অকোনবা অমদি নীংশিংবগী লাইথুং পক্কনি।’

কৈদৌনি লাইথুং পকপদো ঐ তারেদনা। মানা হান্না চৎখ্রবনিনা - মানা খঞ্জে। অহিংদুনা অদুক ফজখ্রিদো কৈগীনো খঙদে। মথন্ত অদুম ফজৈ। পংফদা ফজৈ। ফজরিবসি সিননি হায়দুনা মীঙোন্দা থিন্দুনা তাকপদি ঙল্লোই। কলাকারশিংসি ওন্থোক্লা ৱারিনিদকো! তৌবদি মতমদো ঐখোয়নিসু হান্না খঙনবদৈ হেন্না খঙনরক্লবা মতমনি। কলেজদৈ খঙনরকপনি। লুহোংলবা মতুং নুপা নুপী ওইনা মথেল অমা হেঙ্গৎনা হেন্না খঙনরক্লবা মতমনি। পাখং লৈশাবী ওইরিঙৈ কদায়দনো মরক্তা য়ুখল অমা লৈরম্বদু লৈত্রবা তাঙ্কক্লি। খঙদে লুহোংবা নৌরিবনরা কৈনো মালেমসি পুম্নৌ নৌনা উখি।

ফজবদা মোনখাংনরুরগা মানা তপ্না শুংতূম তূম্নিংদ্রবরা ঙসি অহিংসি তূম্লরোইসিরা তূম্নিংদ্রবসু শুম তূম্লরসি হৌরকখি। ঐগী নুপাদু মমায় শোন্তক তৌজবনি - খোঙনাও ঙাশিল্লি। লোনশিনবদি ঐনা লোনশিনগনু হায়রক্কনি খনব্রা খঙদে। হেরা মদুমক্তি হায়রোইদা। মৌ নহানি ঐ। মীরোন্দ্রিঙৈ নৌরিঙৈনি। অদুক য়াম্না ঈরাং খঙদবা মী নত্তে। মী ঐখোয়দি ফি কোম্বা হৌখ্রদি জাৎ জাৎনিকো।

হোই, মতৈ মনাও হায়সি ঙাইহাক পংশাও শাওনবসু কোঙ্গায়নি। লোন ফাওনদবা - পৈনবা অদুম ময়াওই। কনাগুম্বনদি মসিসু নুংশিনবগী মচল অমগুম লৌবসু য়াই হায়খি। লৈখৎনরুরগা অমুক লৈথনরকপদদি ফনা নক্লা অমুক লোন্দিন্নে। অমুক লাপথোক্লা অমুক নকশিন্না। অমুক লাপথোক্লা অমুক নকশিন্না। নুমিৎতুদা মাঙহনখিবা মতমদো ঙসিদি নুংশিরক্লে। ওন্থোক্লা পাম্মুরক্লে। হৌখ্রবা পুন্সিসি অমুক্তং হন্না হিংবা য়ারদি ওহ! পেনখ্রনিদা।

‘ঐনা নহালনা হায়দুনি। নঙনা তাদবা। নঙদি ঐনা হায়দি তাদে। মীনা হায়দি তায়। মীনা হায়বনা চুম্বা।’

‘কৈনো ঐনা তাদবা হায়বু। ঐনা করি তাখিদ্রগে?’

‘কন্না লাওখৎলক্কনু ইবেম্মা। তান্নবা য়াদ্রদি নঙনা থোকপা অদুম তৌ। ঐগীগা কৈমতা খনবিরুনু।’

‘কান্নদে প্রমান-পান্থে তৌনু। মীনা হায়বনা করিনো - নঙনা হায়বনা করিনো? মী মী হায়বনা কনানো?’

করিগী লোন্দিন্নখিদ্রিবনো নুমিৎতুদা। কৈসু লৈতবা অমগীবু। নীংঙমখিদ্রেদা। কনানা খঙগনোদা ইবেমশা। মানা অসুম্না ঙন্তা শিখিনি হায়সি। পুন্সিসি নাতৈদি ওখাক চাদে।

নুমিৎতুগী অহিং খরা থেঙথরকপদা মানা তিন্নবা হৌরকখি। করিদগীনো ঐসু তৌরক্কনু শৎ হায়দোকখি। ঐ ইশা নুংঙাইতে হায়রগা তুং ওন্থোক্তুনা তুম্বা থেম্মী। মা মখা তারকখিদ্রে। ঐ পাক তূমথবা য়াখিদে। মাসু তূমদনা হিপ্তুনা অদুম লৈখি। মীৎকুপ অমনা য়ুগ অমা শাংবা অহিদুদা। হেন্দোরকপা নুংশাস্বরনা কাদু ইনিল নিলখি। কোক্কা মোনগা তাইনবদা মৈ হৌনা শাখি। ঐ তশেংনমক শাওবদি শাওদ্রবনি। চিম্বানদগী কৈনো শৎ হেক মোংথোকখিবা হায়দোকখিবা এ: খুদক্তা হায়দোকখিবৈ ৱাতনি। তৌরক্কনু হায়বা নত্তে তৌরক্কনু হায়রসু। হৌরক্লদি নুপা হায়সিদি কদায়দা নুংঙাইত্রিনোকা হায়না লাইবক্তা মাগী কল্লবা অঙৈংবা মখূৎতুনকা হেক পায়রক্লদি পাম্বোম মরুদগা নানবিরক্লবদি মাই মাই হায়জরসু কৈসু শাওদ্রবনি হায়সি লায়না খঙনিদা। করম্বা নরোন্দা তূমথখিবনো খঙহৌদনা হেক হৌখিদা অহিংদো। ওন্থোক্লা পাম্মুইদা। মীৎকুপ অমা ফেৎ লাওবী হেক ওইরুদনা। অনম কল্লক্কদ্রা হায়রগা মাসু অদুম কল্লকখিদ্রে। ইন্দ্রিগী মৈচাক্তো অহিং লিক্লাদা শিন্নখি ইকায়খাংদগী। নিংদোন পোম্না অহিং চুপ্পা।

*-কাংজম রাধাকুমার*

*(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘মীৎকুপ অমতং’ দগী লৌখৎচবা)*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।